# ক্রিকেট মশান্নদা অনৌবা ষ্টার অমা ওইনা শাফোঙলক্লিবা রাজকুমার রেক্স



রাজকুমার রেক্স



(হান্নগী মখা...)

ৱারী মখা তারদুনা রেক্সনা হৌরকখিবগী মরীক চুম্বা ৱাফম কয়াসু মথং-মথং ফোঙদোরকখি, ঐহাক্না ক্রিকেটতা খোঙদাজরকখিব-সিদি শান্নবা পামজবা, মশান্না অসিদা থৱায় হকচাং য়াওনা পামজরুবদ-গীনি। তশেংনা হায়জরবদি ঐহাকসি য়াম্না লায়রবা ইমুং অমদগী হৌজরকখিবনি। ঐবু পোকপা ববাসু ত্রক দ্রাইভরনি। ইমাসু ইচম চম্বা হাওস ৱাইফ ওইনা লৈবনি। শান্নবা হৌজরকপা মতমদা ঐগীনি হায়বা স্পোর্টসকী মেটরিএল অমত্তা লৈরক্তে। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐনা শান্নবা হৌরকপা মতমদা তোঙখিবা খোঙউপ, ঐহাক্কা শান্নমিন্নরকখিবা মরুপ-মপাং অমদি ইয়াম্বশিংদগী ৱায়রগা তোঙলকখিবা ঙাক্তনি।

লায়রবনা মরম ওইরগা ক্রিকেট শান্নবদা শীজিন্নখিবা ফিরোল, খোঙউপ ঐহাক্না লৈরগা শীজিন্নবা ঙম্লকখিদে। অদুবু লৈকায়গী ইমান্নবশিং, ইয়াম্বশিংনা ঐবু পূক্নিং থৌগৎপীদুনা নুংঙাইনা শান্নবা ঙমহনবীরকখি। প্রেক্টিশ তৌজবা মতমদসু ক্রিকেটকী মপূং ফাবা ফিল্ড অমদা তৌরকপা নত্তে। ইকায়খুম্ন জরবা ঐবু নুংশিনা লমজিং-লমতাক তৌবিরকখিবা সার রোহেন্দ্রোনা অপিকপা জালি নেটনা খাজিনবা পাৎশোই লমখায়দা লৈবা অপিকপা মফমদুদা য়াম্না চেকশিন্না ঐখোয়বু তাকপী তম্বীরকখিবনি। য়াম্না থুনা লোইশিঞ্জবসু ঙম্লকখি।

ঐহাক্না ক্রিকেটতা ঙাওজরকখি-বসি পব্লিক স্কুলদা ক্লাস আইট তম্বা মতম স্বাইদদি খঙহেন হেল্লকখি। অফবা বেট পায়দুনা শান্ননীংবগী ৱাখলগসি ফজনা ফাওরকখি। পাৎশোইদা ক্রিকেটকী প্রেক্টিশ তৌননবা স্কুল ছুটি হেক থাবগা লাইরিক খাও লংশিল্লগা শান্নফম তান্না অদুম চাং নাইনা চৎলকখি। নোংমগী ওইনা মফমদুদা অমুক য়ৌহৌবা, ঙৈহাক শান্নহৌবা হায়বসিসু ঐগী রুটিন ৱর্কতা অদুমক য়াওরকখি। শান্নবগী মপোৎ মচৈ শুনা লৈত্রবসু প্রেক্টিশ তৌবদি ঐহাক নোংমতা লেপ্লকখিদে। অদুগা, করম্বা মতমদা ইশাগী বেট, শান্নবগী খোঙউপ

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## ক্রিকেটতা মীৎয়েং অমা

লৈবা ঙমগদগে হায়বসিসু ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী লাইনীং ওইদুনা লাকচখি।

ববাগা ইমাগদদি ঐহাক নোংমতা শান্নবগী মপোৎ মচৈ লৈনবা নীংঙাইসু তৌরকখিদে। ঐখোয় ইচিন ইনাওগী লাইরিক লাইশু তম্নবা, য়ূম পুনবা হোৎনবদা ইমুংনা ৱাবদু ঐহাকসু অঙাং ওইরিঙৈদগী খঙলকখি। অদুনা ঐহাক নোংমদি শোয়দনা ফংলক্কনি খল্লগা শান্নজরকখি। তশেংবমকসু ঐহাক্না অহানবা পায়জরকখিবা বেট অসি শগোলবন্দ তোংব্রম লৈকায়দা লৈবা পাবুং চিরোম ইবোয়াইমা (থিকাদার)না লৈবিরকখিবনি।

ঐহাক্না ক্রিকেট পাম্না শান্নবসি উবদা ঐগী পূক্নিং থৌগৎপীদুনা লুপা লিশীং তরেৎ পীবা বেট অমা পাবুং ইবোয়াইমনা ঐঙোন্দা পীবিরকখি। ঐবু পোকপা ববাসি পাবুং ইবোয়াইমগীদা দ্রাইভর ওইবনি।

অসুম্না ঐহাকসি অহল-লমন, ওজাশিং, লোকল ক্লব (মোইরাং হনুবা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব) ময়ামসিনা সপোর্ট তৌবিরকখিবনি।

ইশাগী ওইনা বেট লৈরকপদগীদি শান্নবসিদসু ঐগী টর্নিং পোইন্ট অমা লাকখ্রে। হায়রিবা মতমদু ক্লাস আইট তম্বা স্বাইদনি। অয়াম্বা অন্দর-১৪গী, অন্দর-১৬কী শান্নবা মতমদুদসু ঐহাক রন ৫০/৬০দি অদুম ফুরকখি। বেট্টিংগা, বোল্লিংগা অনীসিদা করম্বনা হেল্লি হায়রগদি ঐগী ষ্ট্রেঙথতি বোল্লিংদা লৈ। টুর্নামেন্ট শান্নবসিদা গ্রক-গ্রক লাকশিনগে খল্লগদি বোল্লিংসিদনা হেন্না পাঙ্গল-লৌশিং থাদবা ঙমজে।

অদুগা, মণিপুরদা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট তৌরকখিবা মফমশিংদি লুৱাংশঙবমগী গ্রাউন্দসিগা, খুমন লম্পাক মনুংগী গ্রাউন্দসিগা অনীসি ওইরম্মী। অদুবু চহী খরগী মমাঙদগী খুমন লম্পাক্কী গ্রাউন্দসি শান্নবা য়াহনখিদ্রে, লৌথোকখ্রে। অদুনা হৌজিক ক্রিকেটকী শান্নফম ওইরিবা, টুর্নামেন্ট পাঙথোকফম ওইরিবা মফমসি লংথবাল পব্লিক স্কুলকা লুৱাংশঙবমগী গ্রাউন্দসিগা অনীসি ওইরি। মণিপুরদা হৌজিক সিজন অমদা টুর্নামেন্ট অহুমগুম্বদি চাং নাইনা পাঙথোক্লি। চহী অমগী ওইনা ক্রিকেটকী সিজন অসি সেপ্টেম্বর থাদগী হৌরগা নোংজু-থা য়ৌদ্রিফাওবা তৌই। মণিপুরগী ওইনা পাঙথোরকপা অসিনা ঐখোয়গী করিয়র অসি তপ্না তপ্না শেন্বা ঙম্লকপনি।

কুমজা ২০১৩/১৪গী মতমদদি ঐহাক অহানবা ওইনা ঝরখণ্ড (রাঞ্চি)দা তৌখিবা অন্দর-১৬কী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা হৌজরকখি। পুন্সিগী ওইনা অহানবা শরুক য়াজখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচতা বিহারগা তাখি। মদুদা ঐহাক্না ৱিকেট মঙা লৌবা ঙমজখি। অহানবা ঝরখণ্ডদা চৎচখিবা মতমসিদা ঐখোয় মণিপুর অন্দর-১৬কীসিদা রন্নর্স-অপ ট্রোফি লৌজরকখি। ৱিন্নরদি বিহারনা তাখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০

১। ঐ কোরিয়া মচানি। জপান্না ঐবু নমদুনা ঐগী ইমিং জপানগী মমিংদা ওন্থোক্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবদা ঐহাক অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐগী ইমীং করি কৌবগে?

২। মহাক মণিপুরগী মন্ত্রি ওইরম্মী। ষ্টেট অসিগী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইখি, মহাক লৈখিদ্রে। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩। ঐখোয় অনীমক কার এক্সিদেন্টতা মীৎ নাম্মা তাংই। মহাক্তি ৱর্ল্ড কপ অমুক ফাওবদা শরুক য়াখিদে, ওক্সফোর্ড য়ুনিভর্সিটিগী কেপ্তেনদি ওইখি। ঐদি কোলেজ তম্বা ফাওবা ফংলকখিদে। ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল লৌখিবা টিম অদুদা ঐসু য়াওখি। মহাক ফুটবোল শান্নরোয় নত্তে। ঐখোয় অনীগী মীং হায়য়ু।

৪। ঐহাক তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দতি থুগাইখি। ঐগী রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদি অমুক্তা ফংলকখিদে। ঐগী ইমীং হায়য়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/ থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী প্রগনন্দনা নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন জু ৱেন জুন থোইদুনা মকোক্তা লৈরি

প্রাগ, মার্চ ১২ (এজেন্সী)ঃ

জেক রিপব্লিক্কী কোনুং প্রাগতা চৎথরিবা প্রাগ চেলেঞ্জর্স চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় আর প্রগনন্দনা নুপী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জু ৱেন জুনবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টেবলদা অতোপ্পা শান্নরোয়গা পূন্না মকোক্তা লৈমিন্নরি।

প্রগনন্দনা চাইনাগী জু ৱেন জুনগা শান্নখিবা অদু খোঙচৎ ৫৭তা থোইবা ঙমখি। প্রগনন্দনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপদা অহানবা রাওন্দ অদু মায়থিরবা মতুং মখা তারকপা রাওন্দ অহুম দ্রো চৎলগা তরুকশুবা অমদি তরেৎশুবা রাওন্দদা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা রাওন্দদা ইন্দিয়াগী প্রগনন্দনা স্পেনগী মমিং লৈরবা গ্রান্দ মাষ্টর এলেক্সি সিরোদপু মুভ ৬০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং মহাক্না ঙরাং চাইনাগী হৌজিক হৌজিক নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী জু ৱেন জুনবু মায়থিবা পীরগা পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবনি।

শান্নরোয় ১০না শরুক য়াবা টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না রাওন্দ ৯ লৈগদৌরি। মখা তানা প্রগনন্দনা রাওন্দ অনী শান্নবা অসিদা করিগুম্বা মায় পাকপা ঙম্লবদি টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অসি ফংবগী অচৌবা লম্বেল অমা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেস্বরনগী ইন্দিয়ান ৱেল্‌স লম্বেল আইভো কার্লোভিসনা অহুমশুবা রাওন্দদা তেনশিলহনখ্রে

ইন্দিয়ান ৱেল্‌স, মার্চ ১২ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী ইন্দিয়ান ৱেল্‌স সিটিদা পাঙথোক্লিবা এ টি পি মাষ্টর্স ইভেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান ৱেল্‌স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা প্রজনিস গুনেস্বরনগী য়াম্না ফজবা লম্বেল অদু ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় আইভো কার্লোভিসনা অহুমশুবা রাওন্দদা তেনশিলহনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিস গুনেস্বরন ক্বালিফায়র অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্কী করিয়রগী অহানবা এ টি পি টুর্নামেন্ট ওইরিবা অদুগী অহানবা রাওন্দদা মঙোন্দগী থা হেন্না ৱাংনা লৈরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় বেনো পাইরিবু মায়থিবা পীরম্বনি।

অনীশুবা রাওন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অসিনা ৱর্ল্ড নম্বর-১৮ গ্রীসকী নিকোলাজ বাসিলাভিলিবু থোইরমদুনা অহুমশুবা রাওন্দ য়ৌরকখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় আইভো কার্লোভিসকা লম্বা তৌনখিবা অহুমশুবা রাওন্দগী মেচ অদু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী প্রজনিসনা ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় অদুগী পাউখুম পীখি। মঙোন্দগী মরেপ হেন্না ৱাংবা শান্নরোয় অদুনা তৌরকখিবা শাফূ কল্লবা সর্ভিসশিং অদু হনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অৱাবা নংখি।

প্রজনিসনা মেচ অদুদা আইভো কার্লোভিসকী মায়কৈদগী শোয়রকপা তাঞ্জাশিং মহাক্না মহাক্কী পোইন্ট ওন্থোকপা ঙমখিদে। অহানবা সেট অদুদা আইভো কার্লোভিসনা প্রজনিসকী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা প্রজনিসনা অহানবা সেটকী অশোয়বশিং মহাক নীংথিনা মেনখৎপা ঙমখি। মরম অদুনা মহাক্কী সর্ভিস গেম অমত্তা ক্রোসিয়াগী কার্লোভিসনা ব্রেক তৌবা ঙমহনখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা সেট অদু শান্নরোয় অনীমক গেম ৬/৬তা মান্নদুনা লৈখি।

টাই ব্রেকতা সর্ভিস হেন্না ফজবা আইভো কার্লোভিসনা পোইন্ট ৭-৪দা থোইদুনা পুং ১.১৩ চঙনা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিস মায়থিহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী শরুক য়াদ্রিঙৈ মাঙওইননা প্রজনিস ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৯৭ শুবা থাক্তা লৈখিবনি। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্না মঙোন্দগী থা ৱাংবা শান্নরোয় অনী মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাওন্দ য়ৌরকখিবগীদমক রেঙ্কিং পোইন্ট ৬১ ফংদুনা ৮২শুবা পোজিশন হাইগৎতুনা মহাক্কী করিয়র খ্বাইদগী ফজবা থাক অদু ওই।

অহুমশুবা রাওন্দদা মায়থিবা হৌবা প্রজনিস গুনেস্বরন শেল ওইনা য়ু এস দোল্লর ৪৮,৭৭৫ ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী দব্বল্‌সকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন ভোপনা অমসুং রসিয়াগী দেনিস সাপুভালো অনীশুবা রাওন্দদা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং ইটালিগী ফাবিয়ু ফোকমিনিগী মখূত্তা অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা ৬-৪, ১-৬, ৮-১০ দা মায়থিহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গল্‌সকী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড নম্বর-৩ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেব নেদরলেন্দ্‌সকী জান লেনার্দকী মখূত্তা ৩-৬, ১-৬তা মায়থিহৌখি। লেনার্দ ৱর্ল্ড নম্বর ৫৫নি। অমরোমদা জ্বেরেব ৱর্ল্ড নম্বর-৩নি। অদুবু মশাগী চহী ২১খক্তা ঙাইরিবা জ্বেরেব হৌখিবা চয়োল অসিদা মশা ঙমদবদগী মপাঙ্গল শোন্দুনা মহাক্কী হান্নগী মপূং ফাবা মশান্না অদু উৎপা ঙমখিদে।

মহাকপু থোইরম্বা ষ্ট্রুকনা য়ু এস এগী মার্কোস জিরোনবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪দা থোইরম্বা কানাদাগী মিলোস রাওনিকনি। রাওনিক কুমজা ২০১৬কী ইন্দিয়ান ৱেল্‌স টুর্নামেন্টতা রন্নরঅপ তাবা ঙমখি। মহাক্না য়ু এসকী মার্কোস জিরোনগা লম্বা তৌনদুনা অহানবা সেট মায়থিরবসু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেটতা ফজবা ঙমদুনা মায় পাকখিবনি।

নাকল অমরোমদা ৱর্ল্ড নম্বর-১ শান্নরোয় সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবরগা শান্নখিবা অহুমশুবা রাওন্দ অদু গেম অমখক লোইবদা ঙাইরিঙৈ নোংনা মরম ওইদুনা মখা তানা শান্নবা য়াখিদে।

জোকোবিস অমসুং ফিলিপকী অথোইবা শান্নরোয় অদুগা স্পেনগী অলবর্ট রামোস ভিনোলাসপু ৬-০, ৬-৩ দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী গেল মোনফিল্‌সকা লম্বা তৌনরগনি।

সর্বিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় মিমোর কেমানোবিসনা অতোপ্পা মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় লাসলো জেরেবু ৬-২, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইদুনা মথংগী রাওন্দদা কানাদাগী ফেলিক্স ওগরবু সেট ২-১দা থোইরম্বা জপানগী নিসিওকাগা শান্নরগনি।



# ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী টিম কটারগী মখূত্তা পাঞ্জল ০-১ দা মায়থিখ্রে



দোহা, মার্চ ১২ (এজেন্সী)ঃ

উজবেকিস্তান্দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ফূটবোল কনফিদরেশন চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়িং টুর্না-মেন্টতা শরুক য়ানবগী শেম-শাবা মেচ ওইনা কটারগা টিমগী শান্নবদা পাঞ্জল ০-১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী টিম অসিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুদা পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া অমা ফংখি। অদুবু মখোয়না খুদোংচাবশিং অদু স্কোর তৌবা ঙমখিদবদগী মায়থিবা নংখি।

ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী টিম অসি অনৌবা কোচ ওইরিবা দেরিক পেরিরাগী মখাদা কটারগা টিমগা শেম শাবা মেচ অদু শান্নখিবনি।

টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় অহুম কুমজা ২০১৭ তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াখি। মখোয়শিং অদুদি য়াম্না ফজখিবা মণিপুরদগী হৌখিবা গোলকিপর ধিরজ মোইরাংথেম লোয়ননা অনৱার আলি অমসুং কেপি রাহুলনি।

অতোপ্পা শান্নরোয় কোমল থাতলসু ৱর্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াখি। ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী ফূটবোল শান্নরোয়শিংবু নৌরিঙৈদগী শেমগৎনবগী পান্দমদা ওল ইন্দিয়া ফূটবোল ফেদরেশন্না চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপ শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অদুবু ইন্দিয়ান এরোস হায়না মিংথোনবা টিম অমা শেম্লগা হিরো আই লীগতা সেনিয়ারশিংগা লম্বা তৌহন্দুনা মখোয়গী মশান্নদা ফজবা পুরক্লবা হোৎনরম্মী।

ধিরজ মোইরাংথেমদি ইন্দিয়ান এরোস টিমদা শরুক য়াখিদে। মহাক মতম খরা স্কোটলেন্দদা শান্ননবা হোৎনরুরবা মতুং ইন্দিয়া সুপর লীগকী টিম অমা ওইরিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী নম্বর-১ গোল কিপর ওইদুনা লৈরি।

মেচ অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরবসু খুদোংচাবা ফংদনা লৈরিঙৈ অহানবা হাফ লোইরমদাইদা কটারগী মায়কৈদগী সলমিন অতিকনা পীরকপা পাস অমা এমরো সুরকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদুগী অমত্তা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

# ন্যু জীলেন্দগী ক্রিকেট টিমনা বাংলাদেশ মায়থিবা পীদুনা টেষ্ট সেরিজ লৌখ্রে



ৱেলিংটন, মার্চ ১২ (এজেন্সী):

বাংলাদেশকী ক্রিকেট টিমনা ন্যু জীলেন্দদা চৎতুনা লৈবাক অদুগা টেষ্ট সেরিজ শান্নবদা ঙসি অনীশুবা টেষ্ট অদু ইন্নিংস ১গা রণ ১২দা থোইদুনা সেরিজ অদু লৌখিবনি।

মেচ অহুমগী মনুংদা অহানবা মেচ ন্যু জীলেন্দনা মাঙজৌননা থোইখ্রবনি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদু অনীরকশুবা টেষ্ট মেচনি। ঙসি ৱেলিংটনগী বাসিন রিজর্ভ ক্রিকেট গ্রাওন্দদা শান্নখিবা নীনিশুবা মেচ অদুদা বাংলাদেশনা রণ ২২১ লৌরগা ন্যুজীলেন্দবু অমুক হন্না বেটিং তৌহনগদবনি। অদুবু ন্যুজীলেন্দনা বাংলাদেশকী টিম অদুবু রণ ২০৯ দা ওলআওট তাহন্দুনা মায়থিবা পীখিবনি।

মেচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা য়ূম্বু লৈবাক ন্যু জীলেন্দনা ৱিকেট তরুক তুরগা রণ ৪৩২ লৌদুনা ইন্নিংস অদু দিক্লার তৌখিবনি। ন্যুজীলেন্দগী মায়কৈদগী রোস টেলরনা রণ ২০০ লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা বেচমেন ওইখি। মহাক্কী করিয়রদা ১৮ লকশুবা সেঞ্চুরিনি। টিম অদুগী বেট্‌চমেন হেনরি নিকোল্‌সনা মশাগী করিয়রগী ৫ রকশুবা সেঞ্চুরি অদু লৌবা ঙমদুনা পূন্না রণ ১০৭ য়ৈরমখি।

বাংলাদেশনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা রণ ২১১ লৌখি। মদুদা ন্যু জীলেন্দগী বোলর নিল ৱেগনরনা ৱিকেট ৪ অদুগা ট্রেন্ট বোল্টনা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

মেচ অদুগী তোচতি ন্যু জীলেন্দনা ঙম্লবা বাংলাদেশনা হান্না বেটিং তৌহনখিবনি। ন্যু জীলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুদা রণ ৪৩২ লৌখিবনি। মদুগী পাউখুমদা বাংলাদেশনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা শুপ্নগী রণ ২০৯ খক লৌখি।

বাংলাদেশকী মায়কৈদগী কেপ্টেন মহামুদালানা রণ ৬৭ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা রণ ওইখি। মরিশুবা বেট্‌চমেন মোহম্মদ মিথুননা রণ ৪৭ লৌখিবা অদুনা মহাকপু চাওনা মতেং পীরমখি। লোয়ননা ওপনর সদাম ইস্লামগী রণ ২৯, সোমিয়া সরকারগী রণ ২৮ পনবা য়াই। অতোপ্পা বেট্‌চমেন্ট-শিংগীদি ফজবা ঙমদনা আওট ওইখি।

ন্যু জীলেন্দগী বোলরশিংগী মরক্তা অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবা নিল ৱেটনরনা অনীশুবা ইন্নিংসতসু ৱিকেট ৫ লৌখি। অদুগা ট্রেন্ট বোল্টনা অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৩ লৌরগা অনীশুবা ইন্নিংসতনা ৱিকেট ৪ লৌখি।

# ৱর্ল্ড টিম চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা কজাখষ্টানগী টিম পোইন্ট ৩.৫-০.৫দা থোইখ্রে



অষ্টানা, মার্চ ১২ (এজেন্সী):

কজাখষ্টান্না য়ূম্বু ওইদুনা অষ্টানা সিটিদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড টিম চেছ চেম্পিয়ন-২০১৯ গী ৬শুবা রালন্দদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু লৈবাক অদুবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৩.৫-০.৫ দা থোইদুনা ইংলেণ্ডগা পূন্না অনীশুবা পোজিশন্দা লৈমিন্নরি।

ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী বি অদিবননা জকাখষ্টানগী রিনাঠ জুমা বায়টকা শান্নবদা দ্রো চৎখিবা অদুনত্তনা অতোপ্পা গেম ৩ অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৩না থোইবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কে সচিকিরননা কজাখষ্টানগী অনোর ইস্মাগমবেটৌবপু থোইখি।

সুরিয় সেখর গঙ্গুলিনা মুরতাজ কগালিয়টপু মায়থিবা পীখি। অদুগা এস পি সেথুরমননা দেনিস মগনেটপু থোইবা ঙমখি। ৬শুবা রাওন্দ অসি লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা কজাখষ্টানবু ৩.৫-০.৫দা থোইদুনা পোইন্ট ৯ ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননাইংলেণ্ডগা পূন্না অনীশুবা পোজিশন্দা লৈমিন্নরি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপাগী কাঙলুপ্তা রসিয়ানা ৬শুবা রাওন্দদা অজরবৈজান্দা দ্রো চৎলগা পূন্না পোইন্ট ১০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ইংলেণ্ডগী টিমনা ইরানবু গেম ৫-০ দা থোইবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী টিম চাইনাগী মখূত্তা গেম ১.৫-২.৫ দা মায়থিদুনা পোইন্ট ৬খক ফংদুনা ৫শুবা পোজিশন্দা লৈরি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইসা করাবাদেনা চাইনাগী তান জোংগিগা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা গেম অমদা সোমিয়া স্বামিনাথননা সেন য়াংগা দ্রো চৎখি। অহুমশুবা গেমদসু ইন্দিয়াগী পদমীনি রাওট অমসুং চাইনাগী হ্বাং কিয়াং দ্রো চৎখি। ইন্দিয়াগী ভক্তি কুলকরনি চাইনাগী লৈ তিংজেগী মখূত্তা মায়থিদুনা ৪শুবা পোজিশন্দা লৈরম্বদগী ৫দা হন্থরকপনি।

নুপীগী কাঙলুপ অসিদা চাইনানা পোইন্ট ১২ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। রসিয়াগী টিম পোইন্ট ১০ ফংলগা অনীশুবা অদুগা য়ুক্রেনগী টিমনা পোইন্ট ৯ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরি।